# পূং-ঈশৈ অমসুং জগোই # ১

– রন্দোল্ফ মোইরাংথেম –

Universe অসি শেন্বীবা মপুগী খুৎশেমনি হায়বসি মালেমগী মীওইশিংনা য়ান্নরবা ৱাফম্নি। তোঙান তোঙানবা মীশিং য়াম্লবা অমদি য়ামদ্রবা মীওই ফুরুপ কয়ানা মালেম অসিদা খুন্দামিন্নরি, হায়রিবা মানদবা ফুরুপশিং অসিগী পূং, ঈশৈ অমদি জগোই অসি মীওইবা কাংলুপ্পা নীংশিংবা থোকত্রিঙৈ মতমদগী লৈরক্লবনি। মতাং অসিদা পূং, ঈশৈ অমসুং জগোই অসি মতৌ করম্না হৌরকপনো হায়বগী শাংলবা মতমগা লোয়ননা চৎপা অহোংবা নাইবা খোঙচৎ অমা লৈফম থোকই হায়না থমজনীংঙি। মসিগা মরী লৈননা পূং, ঈশৈ অমসুং জগোই অসি মালেমদা মীওইবা কাংলুপ্পা করম্না শীজিন্নরকখি হায়বা অসিগা মরি লৈননা মীওইবগী মৈহৌরোল হায়বদি মালেমদা মীওইবা কাংলুপ্পা করম্না ওইরকখি হায়বা হিরম অসি য়াম্না মরু ওইবা হিরম অমনি হায়না থমজনীংঙি। হিরম অসি থমদবগী তঙাইফদবদি পূং, ঈশৈ অমসুং জগোইগী হৌরকফমসি Universe না তৌরিবা থবকশিং অসিগী মতৌ তম্বনি।

1. Age of the Universe : Big Bang Theory: Modern measurements place this moment at approximately 13.8 billion years ago.

2. Nebular hypothesis : Currently accepted hypothesis of the earth's age is 4.6 billion years ago.

3. The age of human being :

The new Ethiopian fossil, announced online by the Journal Science, pushes the arrival of Homo sapiens modern man regarded as a species on the East Aftrican landscape back almost half a million years to 2.8 million years ago.

ইমা মাইবীনা লাইফাও তৌরমদাইদা Rhythm and tempo য়াওদনা হৌরকপা লাইগী ওইবা ঈশৈ ময়েক্লি। মসিদা ঈশৈগী international না য়ান্নরগদবা pitch শিং য়াওরি।

য়া মালেম খাবি ই য়ে এ
খাবিদনদ করি তুগচুং নোন আ আ আ আ
অমায়া করি শোং লৈন কাংবলোন আ আ আ আ আ
নয়ুদন খোয়ুম শিদবা ঐদি এ এ এ
চীংউদন খোয়ুমলাংঙোন
য়াম্লকপনে এ এ এ এ
ইশানৌদনা চেংলৌ শক হেল্লকপবু উ উ উ উ
ৱাংলেন্দনা মীকুপ অমা ঙাইরমখোদনা আ আ আ

লাইমাং থৌগন পান্থোইবী জগোইদা থৌগনবা ঈশৈ মতেক অমত্তং থমজগে। ঈশৈ অসি 8 (eight) beats timecycle গী rhythm দা শকপনি।

হৈ হে হৈয়া হে
নুমিদাংৱাইগীনা মতমদা
নুমিৎনা চীংয়া থাংবা কান
- - - - - -

পেনা হায়বা মীতৈশিংগী খোংনবা খূৎলাই অসি মালেমগী খোংনবা খূৎলাইশিংদগী তোপ-তোপ্পা মগুণ অমা য়াওরি। হায়রিবা খূৎলাই অসিদা Rhythm, tempo, tune, percussion অমদি ঈশৈ পুল্লপ্পা অমুক্তদা perform তৌবা ঙম্মী। পেনানা 16 (sixteen) beats time cycle গী rhythm দা খোংবা মরোল মসিবু Oja না পরিং অৰংবা হায়না তম্বীরকই।

| | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| রি | য়া | রি | silent beat | রি | য়া | রি | silent beat |
| silent beat | রে | রে | রৈ | রৈ | রা | রৈ | silent beat |

পেনাগী হেলি পাবোত্তগী মতেক অমত্তং লৌখৎচগে।

4 (four) beats time cycle গী rhythm দা compose তৌবা লাইগী থৌগল ঈশৈনি। পেনানা খোংলিবা 4 (four) beats time cycle rhythm:

য়ারি য়ারি য়ারি রৈ

লাইগী থৌগল্লিবা ঈশৈগী শরুক খরদং থমজরি।

কেগেনা থাংজিং কোইরেল লাই
লোক্তাক ঈশা মাপনবু
চেংলৌ শক য়েংনরিবা।

**ৱারোইশিন ঃ** পূং-ঈশৈ অমসুং জগোই অসি মশিং থিঙমদ্রবা খোঞ্জেলশিংনা অমগা-অমগা তোৎশিন-তিনশিন্নরগা শেম্বা অমদি তাবা ঙম্বগী পান্বৈখক্তনা ফংবা খুদোল অমনি। মালেম অসিদা মীওইবা কাংলুপকী মমাংদা শেন্বীবা মপুনা মশিং থিঙমদরবা অচৎপা অমদি চত্তবা খুৎশেম কয়া শেন্বীরম্লে। মীওইবা কাংলুপকী মমাংগী খুৎশেমবু ওইরবসু মতুংগী খুৎশেমবু ওইরবসু শা, ঙা, উচেক, ৱায়া, অচৎ-চত্ত খিবিকশিং অমদি নুংশিৎ-নুংশা, lightening নচিংবা মশিং থিঙমদ্রবা কয়া অমসু শেন্বীবা মপুনা শেন্বীরি। হায়রিবা খুৎশেমশিং অসিনা লেংবা খোৎপনচিংবদগী মখোল থোরকই। খুদম ওইনা হয়জরবদা lightening গী অয়াকপা খোঞ্জেল উমংশিংদা লৈরিবা মখল মখলগী শাশিংগী খোঞ্জেল চাওরবা-চাওরবা ঈপাকশিংদা লৈরিবা তোঙান তোঙান্বা জিবশিংগী খোঞ্জেল ফজখ্রবা লৌবুক লমহাংশিং অসিদা নুংশিৎনা ফৌনাশিংদা শিৎপদগী থোরকপা মিরবা খোঞ্জেল। পুন্নমকশিং অসিগীসু মথক্তা কোকিল চেক্লাগী খোঞ্জেল অসিনা তাইবাংপান্বদা লৈরিবা লেংলি পাল্লিবা তাইবং মপুগী খুৎশেম খুদিংমক্তা তোঙান তোঙানবা ঈথিলশিং পীরি। পূং, ঈশৈ অমসুং জগোইগা মরি লৈনবা তাইবঙ মপুগী খুৎশেমশিং। মাঙজৌননসু পঞ্জখ্রবা ৱাফমনি Universe, Solar system, stars etc. মখোয়শিং অসিদগী মীওইবা অমসুং অতৈ শা-ঙা, উচেক ৱায়া কয়ানা মাগী-মাগী মহৌশাগী ওইবা মওংদা মতৌ তমজরগা পূং, ঈশৈ অমসুং জগোইশিংনা নুঙাইবা, ইংথবা অমসুং অপেনবা পীরি।

পূং, ঈশৈ অমসুং জগোইশিংগা তৎনবা থানবা য়াদ্রবা য়াম্না মরু ওইবা মচাক ময়াম অমা লৈ। মখোয়শিংদুগী মরক্তগী মচাক অনিখক্তং অহানবগী ওইনা লৌখৎচগে। মখোয় অনি অদুদি :

1. Rhythm and tempo. 2. Pitch.

হায়রিবা মচাক অনি অসি য়াওদ্রবদি পূং, ঈশৈ অমসুং জগোই হায়রিবা অসি ঙসিগী মালেমগী চৎনবীদা চন্নফম লৈত্রে।

1. Rhythm and tempo হায়বসি তাইবঙ মপুনা Universe, solar system etc. শেম্বদা য়াওজরক্লে। নত্রবদি মসিগী মরক্তা লৈরিবা পোৎচাকশিং অসি অমগা-অমগা থেঙ্গাইনরগা Rhythm and tempo কাইখ্রগনি। মসি কাইরগদি পুন্নমক অমত্তা লৈররোই। পুন্নমক অমত্তা লৈত্রবদি পূং, ঈশৈ অমসুং জগোইসু লৈররোই।

2. Pitch : a musical note with a frequency of their accurate vibrations per second according to the music composer.

তানজখিবা ওঝাশিং :

1. Padma Shree Khangembam Mangi
2. লাইশ্রম নিঙোল বারনি।
3. উচিৱা ইবেতোন চনু য়ুমখাইবম ওংবী

# কংলা মশক তাকপা

## চিঙাখম সুরচন্দ্রা - চেংলৈঙানবা

### নম্বোল, খাজিরি মনিং লৈকায়

*কংলা* - মালেমগী করম্বা মফমনো হায়বা মশক তাকপা তারবদি লৈপাক শেম্বা লাই অশিবা শিদবা সনামহী কৌবনা লৈপাক শেম্বা অহানবা হৌরকপদা হান্না শেম্বা হৌরগা কোন্না পাকথোক চাউথোকহনখিবা মালেমগী থিবোং থিরিনগী মশক ওইবা কংলানি অমদি থমচেৎকী মমায়দা মরু কয়ামরুম লৈবগুম্না লাইফম ১০৮ লৈবা মফমনি। তাইবঙপান মপু সনামহীনা অহানবা মী শেম্বা হৌখিবা মফম (মীশেম্ফম), শেমলিবা মী অদুগী তোঙান তোঙানবা হকচাং কয়াৎতগী মহৈ মহৈ চোঙথোক্লখিদুনা সলাই তরেৎ পোকখিবা মফম (মীপোকফম), মীরোন কয়ানা মাগী মাগী য়ূম্ফম, নাউফম তাফম, চউম্ফম খোয়রেনফম ওইরিবা কংলাবু থাদোক্তুনা মালেমগী লৈমায় শিন-থুংনা চাইথোক্তুনা খুম্হোকপা চৎনখিবা (মীচাইফম) কংলানি। মরম অদুগী কংলা অসি ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইট ওইবনি।

লৈনুংদা লৈবা শুরুংশিং অমদি লৈথক্তা লৈপাক অমগা অমগা শম্ননা চেনখিবা ইরম খোংলম পুন্নমক্তি কংলা মেন শুরুংদগী হৌখিবনি। পুৱারীগী অমদি কলচর এণ্ড ত্রেদিসনগী হৌরকফম কংলানি। মীওইবগী চাওখৎপা হৌরকপা, অৱাংবা থাক্কী ৱাখল্লোন লৈবা, লৌশিংগী পুক্নৈনি। সমুদ্র ইমায়দগী ফুট লিশীং অহুমদগী হেন্না ৱাংখৎনা লৈবা কংলানি। মসিবু করিগী থোইনা হেন্না ৱাংবনো হায়রবদি লাইজাউ মশক মমিং নাইবা তরেৎনা মথং মথং লোন্নদুনা লৈপাক মরোন তরেৎ ওইদুনা কংলাগী মখা থারি। অদুগী কংলাবু থোন তরেৎ থোল্লাংমৈ, হান্না শেম্বা কোন্না লোইবা, তিল্লিকোক্তোং লাইমকোন, কংলা নোংথৌ পুঙময়োন কৌবনি। থৱানমিচাক নোংথৌ শিদবনা চোং ওইনা খান্দুনা লৈবনি (সাকোক লমলেন অহানবা)।

কংলাদা পাৎ ওইনা তৌবা অকুৎপা মফম কয়াসু লৈ। পাৎশিংগী মনুংদা উফোংপাৎ, কোংঙাপাৎ, মুরাপাৎ, কেকুপাৎ, নিখ্রাপাৎ, পুমলেন তাইবীপাৎ অসিনচিংবা অথোইবনি। হিদেন তরেৎসু লৈ মদুদি লাংমৈপুঙ হিদেন, লম্বানপুঙ হিদেন, তোঙ্গাচি হিদেন, য়াইতান হিদেন, শিন্নাইশঙ মনাক্কী হিদেন, য়িমথৈ হিদেন, তেনকৈখা হিদেন, য়োংয়ানখাম হিদেন (চীঙসৎলোন)। থেন মাপনসু লৈ। অহানবা থেন্দি ফম্বান্নে, কুচু থেন, নুঙকোইবী থেন, মাইবাসঙ থেন, নোংহুমসঙ থেন, য়াওরৈবী থেন, চাউবরি থেন, স্নথোঙ থেন, ওকসঙ থেন, অসিনে (পাখংবা য়াংপী)। চীংসা মাপনসু লৈ। চীংসা অমদি সুমশঙনে মমিং চীংমু চীংজাও কৌই। চীংসা অমদি লাংসঙনে মমিং থিংকু চীং কৌই । চীংসা অমদি কংলৈনে মমিং শুমাইচীং কৌই। অমদি কংলা য়ীমচাউনে মমিং খুবুনচীং কৌই। অমদি য়াওরৈবীনে মমিং মালংচীং কৌই। অমদি লৈমরেনগী ফম্বীনে মমিং তিংকোইচীং কৌই। অমদি মোংবসঙনে মমিং খোইপুচীং কৌই। অমদি ফৈতেনবীনে মমিং লোকপা চীং কৌই (খুনুং-সাকোক)। চীংখৈ থংবা চীংসা নাপোমদি সনা থোকই। মরু নোংশাবগী নাওয়োম লৈবনি। লৈনুংদা খুদুপ অহুম লুনা লৈবনি। মৈরম পাংবা চীংশা নাপোমদা লুপা থোকই। লাইরেন তাউরোইনাইগী নাওয়োম লৈবনি। সম্বোঙ পাংবদা লৈবা চীংশা নাপোমদা কেরু থোকই। পুরৈরোম্বগী নাওয়োম লৈবনি। য়েনকাউ পুঙদা লৈবা নূং অদুনে (পাখংবা য়ূম্বী)। চিথেক ঙাকপা লাই ৪, মায়কৈ ঙাকপা লাই ৮, শুংতাই ঙাকপা লাই ১৬, শারোয় ৬৪, উমংলাই ৯, লাইনুরা ৭ অসি পূন্নমক্না কংলা লাইফম ১০৮ দা ফমতেংই। নূংকোয়বী, য়াওরৈবী, ওকশঙ, লাংশঙ কৌবা লাইফম মরিনা কংলা লাইফমলেনগী অকোয়বদা লৈ। ইরম তরেৎনসু লাইফমলেন অসিবু থেক্ল-লৈনা চেন্দুনা কোয়রি। অদুগী কংলাবু কোনুং কৌবনি (সাকোক লমলেন)।

কংলাদা লাইফম তাকপা নূংফম কয়া লৈনুং অমসুং লৈথক্তা লৈ। অতৈ লাইফম ওইবা লৈপুঙ কয়াসু লৈ। সলাই তরেৎকী নূংফমশিংসু লৈ। হায়রিবা নূংফমশিং অসিগী মনুংদা হাংলগা ইরাৎ-থৌনি তৌবা য়াবা কয়া লৈ। হাংবা য়াদবা নূংফম কয়াসু য়াওরি। হাংবা য়াদবা নূংফমশিং অদুদি মপা লাক্লা থৌনিবা য়াই। কনাগুম্বা নিঙাই চাউবা মীনা হাংদুনা য়েংলুরবদি লিন্না চিক্তুনা শিবা, কৈনা চিক্তুনা শিবা অসিনচিংবা থোকই। নিংথৌনা শা-লান চৎলমদাইদা ইরাৎ থৌনি তৌরগা খোঙশানবদা মায় পাকপা অমদি লৈপাক অয়াম্বগী নিংথৌশিংনা লোইপোৎ কারক্লবা ইরাৎফম নূংফম কয়াসু য়াওরি। মদুগী মরমদা খরদং পঞ্জরবদা অহুমশুবা নূংফম ঙানবগী নূং অসি ইরাৎলবদি লৈপাক অমা খুদুম চনবা ঙম্মী। তরেৎশুবা নূংফম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী ঙায়েং নূং অসি লাৎলবদি ঙা হোংবা, লৈপাক ঈং-তপ্না মনিন নাইনা পানবনি । হংঙোই শাবা নিপানশুবা নূংফম অদু ইরাৎলবদি মহৈ-মরোং, মতিন-মকাং, তারোই, লাইশঙ কনলোয় (মী শিবা তোয়রোয়)। য়োং শাবা মাপনশুবা নূংফম অসি ইরাৎলবদি লৈবাক অনা অয়েক কনলোই। চাকহোঙ ঙাহোংনা পানবনি। ষণ মরুম শাবা তরাশুবা লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী নূংফম অসি ইরাৎলবদি শা-লান কল্লোই। য়েক্লবা খুদুম চনবনে। থা মচেৎ শাবা লিক অশংবগী মচুগুম্না তরামাথোই শুবা নুংফম অসিদি কাওহৈদে। পোইরৈতোন খুঙ্গোক অহানবা মফমনে। হান্দুনা য়েংলবদি খুদক্তা লিন্না চিক্তুনা শিবনি। হাংলবদি লৈপাক লৈখা মরোন অহুমদা পানবা উবনি। মপা লাক্ল থৌনিগনি। নোংশাবগী ফুৱা শাবা তরানিথোই শুবা নূং অসি হাংদুনা য়েংলবদি পিশাতাউনা শাবা ফুৱা উগনি, কাংহৈদে। ইরাৎলবদি শা-লান, য়েক্ল-কল্লক পূন্নমক খুদুম চনবনি।

পোংগী নূং তরাহুমদোই শুবা নূংফম অসি হাংহৈদে। হাংদুনা য়েংলবদি সনাগী শঙ্গায় উগনি। নোংদোন্দা লৈবা মরোন অহুমগী লাই উগনি। সনচীং উগনি। হাংলবদি থুনা শিগনি। কুনতরুক শুবা কৈ শাবা নূং অদু হাংদুনা য়েংলবদি নুমিৎ মঙানিদা কৈনা লেপ্পা চাগনি। কুনতরেৎ শুবা খোই শাবা, মচু মপাল থোকপা নূং অদু ইরাৎলবদি লৈবাক নিঙাই চাওরক চাওরকপা অদুশিংগী ইরাৎ তৌ। লৈবাক খৈবিক লাক্তুনা লোইপোৎ কৎলগনি। নিফুনিপানশুবা ময়া পানবা নূং অদুদি শৌরাংলুগী মশক ওইবা, লোংঙুপকী মতৌনে। মদুদি লৈবাক খৈবিক নমথনবা নূংনে। য়াংখৈ শুবা নূংফম অদুদি নোংচুপ থোংলেন থিংনফম্নে। য়াংখৈতরেৎ শুবা নূংফম অদু ইরাৎলবদি লৈবাক খৈবিক খুদুম চনবা ঙম্বনে। য়াংখৈমাপন শুবা নূং অদুদি লৈমরেনগী খোইদৌনে। হাংদুনা য়েংহৈদে। হাংদুনা য়েংলবদি নুমিৎ মঙানিদা কৈনা চাগনি। মপা লাক্লা খুরুম্মু। হুম্ফুশুবা নূংফম অমসুং মনুংদা লৈমরেন লাইয়িংথৌগা অনীমগী নূংগী শুক শুম্বনগা লৈবনে। তাইবঙপানবা খৈবিক্কী অপোক অশাৎ তম্ফমনে। লৈমা নিংথৌগী পুন্সি নিফমনি। চাকহোং ঙাহোং, য়ুহোঙ-থুমহোঙ ফম্নে।

মহৌশা ওইরম্বা কংলাগী শক্তমদি য়াম্না পাক চাউই। নোংপোক্তা নোংমৈপুঙ, অৱাংদা চীংমৈরোঙ/শামৈরোঙ, খাদা চীংঙা, নোংচুপ্তা নম্বুল তুরেল অসিনা কংলাগী ঙমখৈ ওইরকখি। সোরারেন অরিবনা মমিং মুৱা নিংথৌ কৌনা লাঙ্গোন চীংদা মমায় অৱাং ওন্দুনা ঙাকই। কৌব্রুনা থাংমৈবন্দা মমায় অৱাং পাংনা ঙাকই। শগোনবন্দা কোম্থৌজম লাইরেম্বীনা ঙাকই। চীংঙাদা খানা চাওবা ৱাংবরেন্না ঙাকই। হয়িং খোংবান দা হৈস্নাম লাইরেম্বীনা ঙাকই। শৌগ্রাবন্দা নোংপোক্লা ঙাকই। খুরাই মরক্তা পুরৈরোম্বনা ঙাকই। অদুগী মতুং কাইনথংদা পামহৈবা হাকথক্তদি কংলাগী লম অসি য়াম্না পীকশিল্লে। নোংপোকলোমদা ষনশেন্থোং ৱাংমদগী হৌরগা ৱাংখৈ চৎপা লম্বী মচিন ফাওবা ওইরকখি। অৱাংলোমদনা ৱাংখৈ লম্বী মচিন্দগী হৌরগা মিনুথোং লাল্লগা খোয়াথোং ফাওবা ওইখি। নোংচুপ্তা খোয়াথোংদগী হৌরগা ত্রেজরি ওফিস ওইরিবা অদুফাওবা ওই। মখারোমদনা ত্রেজরি ওফিসতগী নিতাইপাৎ চিথেক য়ৌরগা নোংপোকলোমদা লৈখৎলগা ষনশেন্থোং ফাওবা ওইহনখি। তুরেল অচৌবনা (ইম্ফাল তুরেল) কংলা ফাওনা অৱাংলোমদগী খা পাংনা ঙাপ্রম থুপ্না লেংবগী মওংদা চেন্থখি। মসিগী অপূনবা লমগী পাক চাউবনা একর ৩৫৯.৬৪ নি। তুরেলগী নোংপোক থংবদা লৈবা লমগী শরুক্লা একর ৩২ নি। নোংচুপ থংবদা লৈবা লমগী শরুক্লা একর ৩২৭.৬৪ নি। অপূনবা শক্তম অসিগী অকোয়বা মায়কৈ মরিদা কুমজা ১৭২৯ গী লাংবন থাগী তরেৎনি পানবা য়ূমশকৈশা নুমিত্তগী থাঙকমপাৎ তৌবা হৌরগা, লৈপন পনজাও তাখৎলগা থোঙ শঙবা মীশিং থমদুনা ঙাকহনখি।

কোনুংগী অকোয়বদা থাঙকমপাৎ তৌদ্রিঙৈগী মমাঙ কুমজা ১৭২৩, বামোন মেরানা চৈথাবা কুমগী ইঙেন থাগী থাহন্নোং লংমাইজিং নুমিৎতগী হৌনা পামহৈবনা কবোক্যাং ইংখোল মরীন্দা নৌনা তুরেল তৌদুনা থৈদোকখি। অদুগী মতুং শরাইচম পাংঙন্না চৈথাবা কুমগী পোইনু থাগী ২৫ নি পানবা য়ূমশকৈশা নুমিত্তগী হান্নগী তুরেল অমনবা মরীন ফুন্নবা হৌরগা লমতা থাগী নীনি পানবা লংমাইজিং নুমিৎতা ফুন্নবা লোয় (চৈথারোল কুমপাবা খূৎই লাইরিক লা: ৩৯)।

কংলাগী অপূনবা শক্তম অসি কুমজা ১৮৯১ গী এপ্রিল থাদা এঙ্গলো মণিপুর ৱার থোক্লবা মতুংদা বৃটিশনা কংলা খুদুম চন্দুনা লৌখ্রবসু কুমজা ১৯৭৩ ফাওবা থোইনা অহোংবা লৈতে। অদুগী মতুং, মণিপুর লৈঙাক্লা রাজ্য অসিবু শেমগৎ শাগৎপগী নমাদা তকশিন্দুনা, আসাম রাইফলসকী এনিমেল ত্রান্সপোর্ট লাইন ওইরম্বা, কংলা লানপনগী অৱাং নোংপোক্তা লৈবা একর ৩২ গী লমবু, আসাম রাইফলসকী আই জিনা মণিপুর লৈঙাক্তা খূৎশিন্নহনখি। হায়রিবা লম অদুবু হেক ফংখিবগা, মীয়ামগী ওইবা চাওখৎ থৌরাং পায়খৎখিবগী মহুত্তা, লন্নাই শেঞ্জাও পায়বা মীওইশিংদা পটা পীথোক্তুনা প্লান অমত্তা য়াওদনা মাঙহনখি। অদুগা নোংপোক থাঙকমপাৎ অদুসু য়োম্থোক্তুনা মাঙহনখিবনি। অদুগী মতুংদা, আসাম রাইফলসনা লৈরিবা কংলাগী নোংচুপ থংবদা লৈরিবা লম একর ৩২৭.৬৪ অসিদংনা কংলাগী লমনি হায়না কনফাইন তৌরগা, লাইফম কয়াগী লোকেসনশিংদা লাইশঙ শাদুনা লাইরৈপাক শেমগৎপীবগী মহুত্তা, মণিপুর লৈঙাক্লা প্রোটেক্সন তৌরিবনি হায়দুনা আর্কিওলোজিকেল পার্ক ওইনা শেমগৎপগী প্লান তৌরিবা খোঙফম অদু হন্দোকপীয়ু। অদুগা নোংপোক থংবদা লৈরিবা একর ৩২ গী লম অসিবু রিষ্টোর তৌবিরগা নোংপোক থাঙ্গমপাৎ অমুক হন্না তৌবিরগা নোংপোক থোঙ (গেট) শাবীয়ু। লোয়ননা হান্না নোংপোকব্রীজ শানবা কুমজা ১৯৮২ গী জান্যুৱারী ২৭ তা যত্রা হুনখ্রবা অদু অথুবা মতমদা শাবীয়ু। হায়রিবা ব্রীজ অসি শানবা হান্নগী ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর ওইবিরম্বা ও ইবোবী সিংহনসু থোং অসি শানবা শেনফম খাক্লি হায়না মার্চ ১৮, ২০০৮ দা এসেমব্লি সেসন্দা পাস তৌখ্রবনি।

## মরোল থোকপা লাই

